# মেঘালয়া পুলিসনা কিদনেপ তৌখিবা চহী ২ গী অঙাং কনখ্রে

শিল্লোং, জুন ১০ঃ

সিলচরদগী চৎলিবা থা অসিগী ৪ দা ময়ুমদগী ফাদুনা পুখিবা চহী ২ শুরবী ট্রিশা কৌবী নুপীমচা অমা মেঘালয়াগী ইষ্ট জেন্তিয়া হিলসকী খালিহারিয়ট লমদমদগী ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৪ রোম তাবদা কনবা ঙমখ্রে।

এস পি স্পিল থম্মরনা ফোঙদোরকখিবদা থাংজ নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরদা লৈবা শম ককফম অমদা মী ফাবা কাঙবুশিং অদুগা লৈমিন্নরম্বা নুপীমচা অদু কনবা ঙমখি।

নুপীমচা অদু কপ্পকপদগী মফম অদুদা লৈবা মীয়াম্না পুলিসতা পাউ পীরকখি।

পীক্লিবা নুপীমচা অদু কন্না কপ্পনা মরম ওইরগা ৱাফম অমা ফাওবা ফোঙদোকপা ঙমখিদে। মহাক হৌজিক পুলিস কষ্টদিদা লৈরে। নুপীমচা অদু য়ুনিভর্সিটিগী ফেকল্টি শুভাদিবরোই চৌধোরি অমসুং সতাবিশারোই চৌধোরিগী মচানুপীনি।

মহাক হৌখিবা নুমিৎ হুম্নিগী মমাঙদগী মাঙখিবনি। শুভাদিব অমসুং সটাবিশানা থবক চৎখ্রিঙৈ মতমদা য়ুমদা থবক তৌননবা থম্বা মীওই অমনা অঙাং অদু পুদুনা চৎখিবনি হায়রি। অঙাং অদু চৎলিবা থা অসিগী ৫ গী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ৩লোম তাবদা অসামগী য়ুনিভর্সিতিগী রেসিদেন্সিয়েল কেম্পসতগী পুখিবনি হায়রি

পুক্নিং লৌশিং বামোন অমুমচা

## নহাক্কী নখুত্তা লৈরে

চহী চামগী মমাঙদা থোকখিবা অশেংবা ৱারীনি। অয়ুক অমা নুপা অমনা য়াম্না ৱাখল নুংঙাইনা ব্রেকফাষ্ট চানা চানা খবর পাবদা অঙকপা থৌদোক অমা থেংনরম্মী। থৌদোক অদুদি অতৈ নত্তে মহাক্কী মমিং অমদি ফোটো অদু শিখিবগী অৱাবা ফোঙদোকপা কলমদা য়াওদুনা লৈরম্বনি। খবর অদুনা শোয়বদগী মহাক শিবগী পাউ অদু ফোঙজিনখিবগী ৱানি। অহানবা হেক থেংনবদা মহাক কোকচাওবী কারম্মী। "সিবু ঐরনে নৎত্রগা অতোপ্পরা? মহাক্না মথংগী মীকুপ্তা জ্ঞান লাক্লম্মী। মখা তানা পাউ অদু পাথবদা মীয়াম্না মহাকপু মীয়াম্না করি ঙাঙনরিবগে হায়বদু ময়েক শেংনা খঙলক্লম্মী। পাউ অদুগী মকোক্তা ইরম্মী "দাইনামাইটকী নিংথৌরেল শিরে। মহাক অশিবা লল্লোনবা নুপানি।"

নুপা অদু অতৈ কনাসু নত্তে দাইনামাইট পুথোকখিবা অৈলফ্রেদ নোবেলনি। মহাক্না "অশিবা লল্লোনবা" হায়বা ৱাহং অদু পারুরগা মথন্ত হংজরম্মী, "ঐবু শিরবা মতমদা অসুম্না নীংশিংনরগদবা" মহাক মথৱায় য়াম্না নুংঙাইরমদে।

থৌদোক অদুনা অলফ্রেদ নোবেলগী ৱাখলদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরকখি। "ঐনা ঐবু অসুম্না খক নিংশিংনহল্লোই" হায়না মহাক্না খুদক্তা ৱারেপ লৌরম্মী। নুমিৎ অদুদগী মহাক মীহাৎ মীপুনগী মায়কৈদগী মমাই ওন্থোক্লক্তুনা শান্তিগীদমক্তা থবক তৌবা হৌখি। ঙসিদি মহাকপু নোবেল প্রাইজ হৌদোক্লম্বা অচৌবা নুপা অমা ওইনা নীংশিংনরি।

অলফ্রেদ নোবেলগুম্বা করিগুম্বা নহাক লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকপা পাউ ফোঙদোকপা থেংনরদি করি হায়না শোন্নবা পাম্বগে। নহাকপু চিন্থবা, হুরানবা নশাগীতা খনবনচিংবা ফত্তবা গুণশিং চেনবা মীওই ওইনা নীংশিংবা পাম্বা নৎত্রগা মীয়াম্না নুংশিনা পাম্মুনা শোন্নবা মী ওইবা পাম্ব্রা পূম্নমক নহাক্কী নখুত্তা লৈরে।

# এন এস সি এন (কে) কী কাদরশিংনা সরেন্দর তৌরক্লবদি খুন্দা–লৈতাহন্নবগী থবক পায়খৎকনিঃ রিজিজু

গুৱাহাটি, জুন ১০ঃ

নেস্নেল সোসিয়েলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দ–খপ্লাং (এন এস সি এন–কে) কী লূচিংবা লৈখিদবা নোংমগী মতুংদা সেন্তরনা লালহৌলূপ অদুগী কাদরশিং হিংশা থাদোক্তুনা চঙজরক্লবদি খুন্দা–লৈতাহন্নবগী থবক পায়খৎকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

এন এস সি এন (কে) গী মিলিটেন্টশিং খুৎলায় থাদোক্তুনা মহৌশাগী পুন্সিদা হল্লক্লবা আপিল তৌরদুনা হায় ইন্দিয়া লৈঙাক্না হিংশা থাদোক্তুনা চঙজরক্লবশিং খুন্দা–লৈতাহন্নবগী থবক পায়খৎকনি।

খুন্দা–লৈতাহন্নবগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্তগী পেকেজ পীগনি। হিংশা থাদোকপা পাম্বা অমসুং ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনবু ইকাইখুম্নবশিংবু তরাম্না ওকলি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর (ষ্টেট) কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোরক্নি।

রিজিজুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা এন এস সি এন (কে) গী শরুক অমনি হায়বা ম্যান্মার মচাশিংগদি ৱারী শান্নরোই। লূচিংবা অদুনা হায় খপ্লাং এন এস সি এন (কে) কী থৱায় হকচাং ওইরিবা মীওই অমনা মহাক



য়াওদনা ওর্গনাইজেসন অদু থবক তৌবা ঙল্লোই। লূচিংবা য়াওদবা হায়বদু ওর্গনাইজেসন অদুগী ওইনদি খ্বাইদগী চাউবা খুদোং থিবা অমা মায়োক্লরগনি।

ওর্গনাইজেসন অদুগী পান্দম অদুদি কৈদৌনুংদসু ওইথোক্লরোইদবা অমনি। রিবেলশিংনা মীয়ামগীদমক খল্লগা মহৌশাগী পুন্সিদা হল্লক্কদবনি হায়রি।

খপ্লাং ঙরাং নুমিদাং ম্যান্মারগী কাচিন ষ্টেটকী মনুং চনবা টক্কাদা থম্মোয়গী অনাবা অমনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে। লূচিংবা অদু চহী ৭৭ শুখ্রে।

মিনিষ্টরনা হায়, খপ্লাং ম্যান্মার মচানি। ম্যান্মারদসু মহাক্কী অকনবা শাফু লৈখিবনি। এস এস খপ্লাংগী মখাদা ইন্দিয়াগী লালহৌলূপ কয়া চঙজফম লৌদুনা লৈরি। মহাক লৈখিদবা অদুনা মঙোন্দা তাঙজরম্বা ওর্গনাইজেসন কয়াদা অচৌবা নিংহন্নবা অমা পোকহল্লগনি।

ইং ২০১৫ দা এন এস সি এন (কে) গা ইন্দিয়া লৈঙাক্না সিজফায়র তৌনদুনা ৱারী শান্নবা তোকখ্রে। ফীভম অদুনা নাগালেন্দ, নোংপোক থংবা অরুনাচল প্রদেশ, মণিপুর অমসুং অসামগী মফম কয়াদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহনখি।

লূপ অদু আইননা য়াদবা অমনি হায়না লাউথোকখ্রবনি। করিগুম্বা এন এস সি এন (কে) গী কাদরশিংনা খুৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরক্লবদি মখোয়দা খুন্দা–লৈতাহন্নবগী খুদোংচাবা পীগনি হায়খি।

## জে এন কে ঙমখৈ লানশিল্লকপা থিংখ্রে

শ্রীনগর, জুন ১০ঃ

অৱাং থংবা কাশ্মীরগী বন্দিপরা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা গুরেজ সেক্টরগী লাইন ওফ কন্ট্রোল লান্না চঙশিন্নবা হোৎনরকপশিং মায় পাকহনখিদ্রে। লান্মীনা ঙসি ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকপা টেরোরিষ্ট অমা হাৎখ্রে।

লাইন ওফ কন্ট্রোল ঙাক্লিবা লান্মীনা খুঙ্গং অদুগী অহাংবা ঙমখৈগী শরুক্তা ঙমখৈ লান্না চঙশিন্নবা হোৎনরকখিবা টেরোরিষ্টশিং অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি। হৌখিবা নুমিৎ ৪ নি অসিদা অৱাং থংবা কাশ্মীরগী লাইন ওফ কন্ট্রোলদা খুৎ থোক্লবদা পুন্না টেরোরিষ্ট ১৪ হাৎপা ঙমখ্রে।

খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং অদুদা লান্মী ১ লৈখিদ্রে। লান্মীগী ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোরকখিবদা পাকিষ্টান লান্মীনা অখন্নবা থৌশিল পায়খত্তুনা খুৎলায় পায়বা লালহৌবশিং লাইন ওফ কন্ট্রোল লানশিন্নবা হোৎনরকখি।

মাচিল অমসুং নৌগ্রাম সেক্টরদা ঙমখৈ লান্না চঙশিন্নবা হোৎনরকপশিং লান্মীনা চপ চানা থিংবা ঙমখি। গুরেস হায়না খঙনবা বন্দিপরাগী মনুং চনবা শরুক অমদি বরামুলাগী উরি সেক্টরদা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকপশিং লান্মীনা চপ চানা লাকশিনবা ঙমখি।

ঙরাং উরি সেক্টরদা লান্মীনা টেরোরিষ্ট ৬ হাৎখি। অদুগা ঙসি গুরেজদা টেরোরিষ্ট অমা হাৎখি হায়না লান্মীগী পাউ অমনা ফোঙদোরকখি। উরি সেক্টরদা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকপা থৌদোক অহুম লান্মীনা থিংবা ঙমখি। চৎলিবা চহী অসিগী মে ২৬ তা পাকিষ্টান বোর্ডর এক্সন টিমগী লান্মী ৩ ঙমখৈ লান্না চঙশিন্নবা হোৎনরকপদগী লান্মীনা হাৎখি।

কাশ্মীর তম্পাক্তা চঙশিন্নবা হোৎনরকখিবশিং লান্মীনা চপ চানা ঙাকথোকপা ঙল্লে। চৎলিবা চহী অসিদা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনবা টেরোরিষ্ট ৪১ হাৎখ্রে হায়রি।

## ওটোরিক্সো–ট্রক থেংজিন্নবদা মীওই ৮ শিরে

ভুবনেশ্বর, জুন ১০ঃ

উরিষাগী জগৎশিংপুর দিষ্ট্রিক্তা ঙসি ওটোরিক্সো অমগা ট্রক্কা থেংজিন্নবদা পীক্লিবা অঙাং অমা য়াওনা মীওই ৮ শিরে।

খুদোংথিবা থৌদোক অদু জগৎশিংপুর–মচাগাও লম্বীগী চান্দোল ইসক্কার মনাক্তা থোকখিবনি। খুদোংথিবা নংখ্রবা মীওইশিং অদু মচাগাওদা লৈবশিংনি। মখোয় কটক দিষ্ট্রিক্টকী নেমালাদা পাঙথোকপা ধর্ম্মগা মরী লৈনবা থৌরম অমা য়াওরুরবা মতুং হল্লকখিবনি হায়না জগৎশিংপুর পুলিস ষ্টেসনগী ইন্সপেক্টর রজনিকান্ত মিশ্রানা ফোঙদোরকখি।

চাকা ৩ পানবা গারী অদু অঙাং য়াওনা মীওই কয়া পুদুনা লাকখিবনি। ওটোরিক্সো অদুগা ট্রক্কা থেংজিন্নবা অদুদা অঙাং নীপীমচা অমা য়াওনা মীওই ৭ মফম অদুমক্তদা শিখি। অদুগা মীওই ৩ না অশোক–অপন নংখি।

কটকতা লৈবা এস সি বি



মেডিকেল কলেজ হোস্পিটালদা মীওই অমা লৈখিদবগা লোয়ননা অশিবা মীগী মশিং ৮ শুখিবনি হায়রি।

অশোকপশিং অদু অহানবদা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরদা লৈবা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখি। তুংদা কটকদা লৈবা এস সি বি মেডিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিটালদা থাংদোক্তুনা লায়কন্নখি।

অশোকপশিংগী মনুংদা ফিভম লুবা য়াওরকপদগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদগী হেন্না ফবা হোস্পিটালদা পুদুনা অশোকপশিং লায়কন্নবা হোৎনখি।

খুদোংথিবা থোকখ্রবা মতুং ট্রক অদুগী ড্রাইভর মফম অদুদগী নাছোক্তুনা চেনখ্রে। লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং–মনুংনা থৌদোক অদুগী মতুংদা লম্বী থিংদুনা মতিক চাবা কম্পেসেসন পীননবা তকশিনখি হায়রি।

ইন্দিয়াদা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক্তা চহী খুদিংগী মীওইচা কয়াগী পুন্সি মাঙলি হায়রি।

**NOTIFICATION**

**Imphal, the 5th June, 2017**

No. 4/177/97/-DTSM (Pt.I): Applications on plain paper are invited from candidates who are domiciled to Manipur State for admission to 1st Year of 3 Year B.Sc. in Hospitality and Hotel Administration in the Institute of Hotel Management Catering Technology and Applied Nutrition, Guwahati (6 Seats), Shillong (2 seats) and Short Course, IHM Guwahati for the academic session 2017-18.

**Eligibility for 1st yr of 3 year B.Sc. Hospitality and Hotel Admn. Course:**

1. Candidates should have passed 10+2 stage examination in any stream with English as a compulsory
2. The candidates should not be more than 22 years of age as on 1st Luly, 2017 for Gen/OBC/categories and age is relaxed upto 25 years Sc/St candidates.

**Eligibility Candidates for short courses:**

| Sl. No | Name of Course | Duration | Qualification | Max. age as on 01-07-2017 | No. of reserved seats |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Craftsmanship Couse in Food Production& Patisserie | 1 1/2 year | Pass10th Class | 25(General/OBC) 28 (Sc/ST) | 10 |
| 2. | P.G. Diploma in Accommodation operation Management | 1 1/2 yeas | Graduate in any steam | 25 (General/OBC) 28 (Sc/ST) | 10 |
| 3. | Craftsmanship Certificate Course in Food&Beverage Service | 6months | Pass 10th Class | 25(General/OBC) 28(Sc/ST) | 10 |

(N.B.-Sl. No. 3 will take place subject to availability of minimum students)

Application should be submitted along with Photo copy of documents of education qualification, age proof, caste/tribe certificate fro SC/ST candidates and domicile certification issued by competent authority. Photo copies of all the documents should be duly attested by competent authority. Original document should not be enclosed at the time of submission of application.

The last date for submission of applications to the Tourism Department is 15-06-2017

Yours Faithfully
**(N. Bandana Devi)**
Director (Tourism), Manipru,
Imphal, th 5th June, 2017

EMPLOYMENT NEWS

## থবক্কী পাও

**WAPCOS recruitment 2017 advertisement 17 Various Vacancies**

WAPCOS Limited released new notification on their official website wapcos.gov.in for the recruitment of total 17 (seventeen) jobs out of which 06 (six) vacancies for Electrical Engineer, 01 (one) for Computer cum Data Entry Operators vacancy. Job seekers should apply on or before 13th June 2017.

Government Organization:- WAPCOS Limited
Designation:- Electrical Engineer, Computer cum Data Entry Operators
Posting:- Tripura, Manipur, Nagaland, Assam & West Bengal
Official website: wapcos.gov.in
WAPCOS recruitment 2017

Electrical Engineer: 06 Vacancies
Qualification:- Candidates who wanted to participate for WAPCOS Electrical Engineer job should have ME/BE in Electrical Engineering.
Computer cum Data Entry Operators: 01 vacancy
Qualification:- Aspirants who decided to join WAPCOS Computer cum Data Entry Operators posts should have Graduate in any Field.
Age Limit:-
Electrical Engineer: 55 years
Computer cum Data Entry Operators: 35 years
Selection Process:- WAPCOS will be conduct the Interview for Electrical Engineer, Computer cum Data Entry Operators vacancies.

How to apply for WAPCOS recruitment 2017:- Interested applicants may send their CV in the prescribed proforma along with copies of their educational qualifications and experience certificates send to Chief Engineer & Regional Manager (ER) WAPCOS Limited Jalasampad Bhawan, 10th Floor, Salt Lake City, Kolkata – 700091 West Bengal on or before 13.06.2017.
Important Dates to remember:-
Form Submission End Date: 13.06.2017

........................................................................................

**LICHFL recruitment 2017 Notification web designer, Web developer & data base programmer posts apply at lichousing.com**

LIC housing Finance limited (LICHFL) released new notification on their official website for the recruitment of 08 web designer, Web developer and data base programmer vacancies. Job seekers should apply online before 10th June 2017.

Govt. Agency Name :- LIC housing Finance limited
Job Name:- web designer, Web developer and data base programmer
Posting:- Maharashtra
Application date:- 10th June 2017
LICHFL latest News 2017
Web Designer:- 02 vacancies
Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Web Designer should have MCA / BE / B.Tech / B.Sc. in the field of computer science / IT with minimum aggregate 60% marks from a recognized university.
Salary Structure:- Rs 8 to 10 Lakh Per Annum
Web Developer:- 04 vacancies
Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Web Developer should have MCA / BE / B.Tech / B.Sc. in the field of computer science / IT with minimum aggregate 60% marks from a recognized university.
Salary Structure:- Rs 8 to 10 Lakh Per Annum
Age Limit:- 25 to 30 years as on 1st January 2017.
Selection Process:- Written Examination and after exams candidates will be invited for personal Interview.

How to apply for LICHFL vacancies 2017:- Applicants may submit their resume online through www.lichousing.com on or before 10th June 2017.
Important Dates to remember:-
Closing Date: 10/06/2017

........................................................................................

**SAIL Recruitment 2017 Apply online for 27 Various Vacancies at sail.co.in**

Steel authority of India released new notification on their official website for the recruitment of 27 general duty medical officer and specialist / medical of surgeon vacancies. Job seekers may appear walk-in-interview 14th June 2017.

Govt Department:- Steel authority of India
Post Name – general duty medical officer and specialist / medical of surgeon
Job Location:- West Bengal
Interview Date:- 14th June 2017
SAIL Latest Jobs 2017
General Duty Medical officer:- 16 vacancies
Qualification:- Aspirants who wanted to participate for General Duty Medical officer should have MBBS from a recognized university / institute recognized by MCI.
Salary Structure:- Rs 40000/- Per Month
Specialist / Medical of Surgeon:- 11 vacancies
Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Specialist / Medical of Surgeon should have MBBS from a MD / Diploma in specialist from MCI recognized university / institute..
Salary Structure:- Rs 30000/- Per Month
Age Limit:- Maximum 70 years as on 1st January 2017.
Selection Process:- Walk-in-interview
How to apply for recruitment SAIL 2017:- Applicants may appear for interview for interview along with prescribed application for along with original and one set of self – attested photocopies of certificates.
Important Dates to remember:-
Walk-in-interview Date: 14/06/2017

শগোলশেম হেমন্ত

## খেংজোই চীংশাংদা

*(মণিপুর অমদি মপান লমগী পাউমী খুৎপু অমনা ২০০৬ তা চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী ম্যানমারগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংদা চৎলুবগী অৱা–নুংঙাই পাউদম লাইরিক্নি। ঙসি ফাওবদা খুৎনম তরুক্লক পুথোক্তুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না য়োনবা মণিপুরী লাইরিক ওইরি)*

৬

### অঙাং কপ্পা গারী

*ঙরাংগী মখা...*

নুমিদাং অদু ঙৌৱা অতাউবদুগা কোবী থোংবদুগা ফজনা তকশিন্নৈ। অদুবু অৱাবদি রোবিন্দ্রোগী মঙলান অদুদি পুমকায় কায়খ্রে। কয়াদা আশা চাউনা লাকখিবা অদুগদি ঙৌৱাদু তাউরগা হেক্তা লৈরম্বনি। মানদি থোংলগা চাগে খঞ্জবনি। অদুম ওইনমক তাউরগা পুথোরকপদু পাম্বা ৱাৎলবসু ফনা ফজনদি লৌখৎখি। কোবী থোংবা অমা য়াওরম্বদুদা রোবীন্দ্রো মোমোন তৌই।

চাবা থকপা লোইরবা মতুংদা মপান্দা হৌরিবা মৈ অদুগী অকোয়বদা ফমদুনা অয়ুক্তগী নুমিদাং ফাওবা লৌথোক্তুনা ঈশিং মরক্তা চবুক চবুক কুম্নগা লাকপনা তাইফেৎ তাইরবা পোপথোক্লবা খোঙদু থাউ তৈরগা মৈদা য়াইনরি। খরা থেঙজিল্লক্লবা পুং ১০.৩০ রোম তাবা অদুৱাইদা নোং পানা খিকপা হৌরকখি। কান্নররোই খন্দুনা ইমুংদা চঙলগা তুম্নবা শেম শাখি। ময়ামদি মাগী মাগী মফম কন্নদুনা তুম্নবা থৌরাং তৌনরম্মী। ঐখোয় ৩–৪ গী তুম্ফম শেম্লে। নুমিৎ চুপ্পা মৈ হৌদুনা লৈবনা থোইদোক্না অঙৈংবদি ফাওদ্রে। য়ুম য়ৌরনি খল্লুবদা পুক্নিংদা নুংঙাইবা অমা ফাওরকই। তায়বঙ মীগী পুক্নিং হায়বসি য়াম্না লাক্ন ফানা ৱাখ্রবা শকউদবা পোৎশক অমনি। লাকপা মতমদসু অনৌ–অনৌবা লমদম উবা ফংলগনি হায়বগী মিহৌবনা অৱা– অনা থিরুদনা পংচৎত চৎনীংবা। হল্লকপা মতমদসু য়ুম য়ৌরগনি হায়বগী নুংনাংবা, ঙাইঙল্লক্তবা লাংতক্লবা হায়বসি হৌনশা ওইগল্লি।

*মথং মথং ...*

## য়ুমগী লায়য়েং

*শগোলশেম ইন্দ্রমনি সিংহ*

### চাবা (চিঙ্গাক)

*ঙরাংগী মখা...*

য়ু থকপীব্রা? থকচৈ। চহী ১৫ দা মঙায়রে হিংবিগদবা। চহী কয়া শুবীরবগে? কুন্থ্রা শুজরে। য়ু থকপীবরা? থকচদে। মথং চহী ৩০ অমসুং ৩০ দগী হেন্না পুন্সিবীখিনি। অসুম্না জগৎ অসিদা হৌজিক হংনরীবা ৱাহংনি। অচুম্বা ওইনা লৌনরবা পাউখুমনি। মণিপুর অসিদা মশক মতৌ ফজবা শামু মচাগুম্না হাই হুমদুনা চৎলম্বা অফিসার অমসুং ইনাক কৈরাক খুনবা মচা কয়া, ডাক্তর ইঞ্জিনিয়ার ইলেকতেদ মেম্বর কয়া চহী ৪৫–৪৫ দা শিখিবা কয়া নীংশিবীয়ু। য়ুদনা হাৎখিবনি।

হৌজিকসু চহী ৪৫–৪৬ শুবা য়ুনা ঙাইদুনা লৈরি। নুমিদাংদা থক্লকই– অয়ুক্কী য়ুহন। নুংথিন্দসু অমুক থেৎলি, মতম অদুদা য়ৌনবা চঙশিল্লকই। আলকোহোল অসি তুমদে। হেক্তা ঈশিংগুম্না ঈদা চঙশিনবনি। চাকখাওদা অমসুং খোইরিন্দা চাখিবা পোৎশক লৈরবদি চীঙাক অদুদা তোৎশিন্দুনা খরা থীন্থনা ঈদা য়ৌই। আলকোহোল অসি ঈগী চাদা .১%গী .১০% দগী তানা লৈখ্রবদি পূক্নিং হোংই, ৱাখল হোংই। মীনা উবদদি কয়া খঙদে। চাদা .১% গী .১০% দগী .১৫% ফাওবা য়ৌখ্রবদি অঙাওবা ফাওরক্লে। হকচাং মনুংদা মাঙ–তাক্লবা মলংদা ঙশওবা হৌরে হায়বা খঙনরবনি। আলকোহোল অসিনা .৪%, .৫% য়ৌনা ঈদা অমসুং তোংদা হাইজনখ্রবদি মী অদুনা অমুক থকপা ঙল্লরোই। আলকোহোল অসি ঈ–তোংদা .৫% তগী .৭% য়ৌখ্রবদি শিবা য়ানা হূ থারবনি। হুইস্কী পাইন্ট ১/২ (তজ্বায়) অমা অহাঙবা পূক্তা হেক থকপদা চাং অসি চপ চানা য়ৌগনি।

আলকোহেল অসিনা হকচাংদগী লেপ্তনা থোকখিগদবনি। চাং অসি তাথখিগদবনি। পুং ৫ গী মনুংদা .১% তাথৈ। .১% না ঙাওহনবনিনা .২% ঈদা লৈরবা মীলই অদু পুং ৫ দা অদুম্না লৈবা তাবনি। ঈদা .৫% য়ৌনা লৈখ্রবদি ঙাওবা ফবদা হায়বদি আলকোহোল হকচাংগী থোকহনখিবা, ওক্সিদাইজ তৌবদা পুং ১০ দি চঙবা তাই। অতোপ্পা হূদৌনা হকচাংগী ঈদা অদুম তুংদুনা লৈগদবা নত্তে, ওক্সিজেন্না চাকথোকখিগদবনি। খর খজিক্তং থকপা মীনা পঙখঙ খঙদ্রিবা মরম অসিদগীনি। অদুগা শাজেন তৌবা মসলনা থবক তৌবা মীদদি খর থুনা চথোকখি। শোক্তবা হেল্লি। থবক শূদবা, শাজেল তৌদা, অতনবা, হিপ্তুনতা লৈবা মীদদি য়ুনা য়াম্না মাঙনবা ওই। অহাঙবা পুক অমসুং খোইরীন্দা তারবদি, অদুম ঈদা তোংদবা লায়না পুশিনখি। চাক চারবা মতুংদা থক্লবদি ঈ য়ৌবা থীল্লি। চাক ঈঞ্জাং মরক্তা তোংদা লায়না পুশিনখি। চাক চারবা মতুংদা থক্লবদি ঈ য়ৌবা থীল্লি। চাক ঈঞ্জাং মরক্তা তোৎশিন্নবা লৈরিঙৈদা ওক্সিদাইজ তৌখি। য়াম্ন হেঞ্জিন্না থক্ত্রবদি ঈদা তপ্পা খরদা হাইজিনখি। য়ূগী হু অসি হকচাংদা পৈশিন্দুনা থমদে, ওক্সিজেন্না চাকথোকই। অদুগা হকচাংদা শীংগুম্না মৈশা পী হায়বসিনা খর থকপদদি অদুক য়াম্না মাঙদে হায়না অথকপা মীগী ওইনা অফবরোমদা ঙাঙবা অদুগী মতেং ওইবা ৱাফমনি।

*মথং মথং ...*